# য়ুক্রেনদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং পীশিনবগী থৌরাং রসিয়ানা কন্দেম তৌখ্রে

**মোস্কো, মে ২৯ (এজেন্সী):**
য়ুক্রেনদা য়ুএসনা শাবা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং পীশিনবা হায়বসি মৈদা শান্নবগা পান্থক্লি হায়রদুনা রসিয়ানা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে।

ৱাফম অসি রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা রসিয়ন টিভি অমগী ইন্টরভিয়ুদা ফোঙদোকখিবনি। ইন্টরভিয়ু অদু সোসল মেদিয়াদা থাগৎলকখি। নোংচুপলোমগী খোঙথাং অদু লান অদুবু হেন্না কনশিলহনগদবা থৌওংনি হায়রদুনা সর্গিনা ফোঙদোকখি। মদুদি নোংচুপলোম্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মৈদা শান্নবনি হায়বসি চিংনিনিংঙাই অমত্তা লৈতে।

ৱাশিংতন, লন্দন অমসুং ইয়ুদা য়াওরিবা মখোয়গী পার্টনরশিংনা রসিয়াবু শোন্থহন্নবা লৌখৎলকপা য়ানিংঙাই ওইদবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা য়ুক্রেনদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং সপ্লাই তৌনবা হোৎনরকপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইয়ুদা য়াওরিবা মখোয়গী মীচংশিংবু য়ুক্রেনদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি। প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা জি ৭ গী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংদা জপানদা পাঙথোকপা ব্লোক অসিগী সম্মিটতা ৱারেপ অদু খঙহনখি হায়না হৌখিবা মে ২০ দা য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিবানন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা কিভকী পাইলোটশিংবু জেটশিং অসি করম্না ওপরেট তৌগদগে হায়বগী মতাংদা য়ুএস ট্রুপশিংনা ট্রেনিং পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। সুলেবাননা য়ুক্রেনদা পীবা জেট খুদিংমক ঙাকশেলগী হিরমশিং খক্তদা শীজিন্নগনি অমসুং য়ুএসনা রসিয়ন টেরিটরিদা এটেক তৌবা য়াহন্দবগা লোয়ননা অসিগুম্বা এটেকশিং শৌগৎলোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ৱারেপ অদুবু য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা তরাম্না ওকখি।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেননা রসিয়ন ট্রুপশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা চথবা য়ানবা এফ-১৬ জেটশিং পীরক্নবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা মতম শাংনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

জেটশিং অদুনা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিগী নোংথক্কী পাঙ্গল শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহল্লগনি হায়নসু জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি। অমেরিকাগী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অমুক হন্না য়োন্থোকপা নক্তগা মপানদা থাদোকপা পাল্লিবা লৈবাকশিংনা অহানবদা য়ুএসতগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই। মরম অদুনা ঙসিগী ৱারেপ অসিনা অতৈ লৈবাকশিংবু মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা এফ-১৬ ফাইটর এয়রক্রাফটকী ষ্টোকশিং য়ুক্রেনদা থাবা য়ানবগী লম্বী ফাৎলে হায়রি।

লোকহিদ মার্টিননা শাবা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং অসি ইঞ্জিন অমখক পানবা মল্টি-রোল জেট এয়রক্রাফটনি। জেট এয়রক্রাফট অসি এয়র-টু-এয়র নক্তগা গ্রাউন্দ-এটেক মিশনশিংদা শীজিন্নবা য়াই।

হৌখিবা চহী কয়া অসিদা জেট লিশিং কয়া শাখিবগা লোয়ননা জেট কয়া মালেমগী মফম কয়াদা এক্সপোর্ট তৌখ্রে। ফ্লাইট গ্লোবেলগী ৱার্ল্ড এয়র ফোর্সেস দিরেক্তরিগী মতুং ইন্না চহী অসিদা মালেম পুম্বগী ওইনা এফ-১৬ ফাইটর প্লেন ২,২০০ এক্তিব ওইদুনা মালেমগী অপুনবা কম্বেট এয়র ক্রাফট ফ্লিটকী চাদা ১৫ ওইরি।



# নোর্থ কোরিয়ানা সেটলাইট থাগৎপগী থৌরাং জপানদা খঙহনখ্রে

**সিওল/টৌকিও, মে ২৮ (এজেন্সী):**
নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী অহানবা মিলিটরি স্পাইস সেটলাইট ওর্বিটতা থম্ননবা শেম শারক্লবা হোৎনরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী রেজিম্না জপানদা মে ৩১ অমসুং জুন ১১ গী মরক্তা সেটলাইট অমা লোঞ্চ তৌনবগী থৌরাং খঙহল্লক্লে হায়না জপানিস মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ক্যুদো ন্যুজকী রিপোর্ট পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রিবদি নোর্থনা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা মেরিটাইম দেঞ্জর জোন অমা লিংননবগী থৌরাং জপানিস গভর্ণমেন্টদা খঙহনখ্রে।

জপানিস ব্রোদকাষ্টর (এন ঐচ কে) গী মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম ওর্গনাইজেসনদসু সেটলাইট লোঞ্চকী থৌরাং অদু খঙহনখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী অহানবা মিলিটরি স্পাইস সেটলাইট রোকেট অমদা হাপচিন্নবা শেম শাবগী থবক মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়না লাউথোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা য়াম্না ঙন্না জুন ফাওবগী মনুংদা লোঞ্চ অদু পাঙথোরক্লগনি হায়বগী থাজবা পোকহনখি।



নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা হন্দক্তা মিলিটরি রিকোনিসন্স সেটলাইট অমা লোঞ্চ তৌনবা শেম শাবগী থবক্কী থৌদাং লৌরিবা নন-পার্মেনেন্ট কম্মিটি অমা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তুংগী ওইবা এক্সন প্লান এপ্রুভ তৌখি। নোর্থনা প্রপোজ তৌরিবা সেটলাইট লোঞ্চ অদুনা মসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংদা অথিংবা থল্লিবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সি) গী রিজোলূসনশিং ভাইওলেট তৌগদৌরিবনি।

মরু ওইনা লৈবাক অসিনা সেটলাইট লোঞ্চ অদুদা বেলেষ্টিক মিসাইলশিংদা শীজিন্নবা টেক্নোলোজি দুমক শীজিন্নগদৌরিবা ওইবনা লৈবাক অসিগী সেটলাইট লোঞ্চকী থৌরাং অদুনা য়ুএনএসসিগী রিজোলূসনশিং ভাইওলেট তৌগদৌরিবনি।

ৱাশিংতন্না পিওংয়াংদা মখা তানা ইল্লিগেল এক্তিভিটিশিং চথবা লেপ্পবা অমসুং দিপ্লোমেসিদা হল্লক্লবা আপিল তৌবগা লোয়ননা জপানদা খঙহল্লিবা লোঞ্চকী থৌরাং য়াওনা নোর্থ কোরিয়াগী সেটলাইট লোঞ্চশিং সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলূসনশিং ভাইওলেট তৌবনি হায়বসি অমুক হন্না চেৎনা ফোঙদোকখি।

# দব্লিয়ু এম দি-ইন্টরসেপ্সন নেভেল ড্রিলদা য়াওনবা জপানগী ৱারশিপ সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে

**টৌকিও-সিওল, মে ২৯ (এজেন্সী):**
লোনা য়াদবা মওংদা পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায়শিং (দব্লিয়ু এম দি) পুথোক পুশিন তৌবা অমদি য়োনবা থিংবগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেভেল ড্রিলদা শরুক য়ানবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা জপানগী ৱারশিপ অমা সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে।

জপানগী জে এস হামাগিরি দিষ্ট্রোয়র অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগী খা নোংপোক থংবা পোর্ট সিটি ভুসানদা থুংখি। দিষ্ট্রোয়র অদু সাউথ কোরিয়াগী জেজু ঈথৎকী খা নোংপোক্লোমদা মালেমগী ঈশিংগী শরুক্তা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্টর্ন ইন্দিবর ২৩ এক্সর্সাইজতা শরুক য়াগদৌরিবনি। সাউথ কোরিয়ন নেভিগী মেরিটাইম টাস্ক ফ্লোটিলা ৭ না লুচিংদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সর্সাইজ অদুদা সাউথ কোরিয়া, য়ুএস, ওষ্ট্রেলিয়া, জপান, কেনেদা অমসুং সিঙ্গাপোরনা শরুক য়াগনি।

এক্সর্সাইজ অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রোলিফরেসন সেক্যুরিটি ইনিসিএটিবকী অৱাংবা থাক্কী ফোরম অমগী মতুং মথংগী নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

হান্না থাজনবগুম্না জপান মেরিটাইম সেল্ফ-দিফেন্স ফোর্সকী ৱারশিপ অদু নুমিৎ থোক্লকপগী ফিরালগা লোয়ননা পোর্ট অদুদা থুংখি। ফ্লেগ অদু জপানগী মমাঙগী মিলিটরিজমগী সিম্বোলনি হায়না লৌনবনা মদুগী ইমেজনা পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱাথোক অমা লাকহল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লখি।

সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফ্লেগ অদু শীজিন্নবগী মতাংদা য়ানিংদবা উৎপা তৌরোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদু কম্মন ইন্টরনেসনেল প্রেক্তিসনি। এক্সর্সাইজ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিংনা পুন্না ভেসেল ৭ অমসুং এয়রক্রাফট তরুক মোবিলাইজ তৌগনি অমসুং মখোয়না মল্টিনেসনেল কো ওর্দিনেসন সেন্টর অমা শেমগনি।

# ষ্টারশিপ থা অনীগী মনুংদা অমুক হন্না পাইনবা শেম শারগনি: ইলোন মস্ক

**ৱাশিংতন, মে ২৯ (এজেন্সী):**
চাওরবা ষ্টারশিপ ভেহিকল থা অনীগী মনুংদা অমুক হন্না পাইননবা শেম শাবা লোইরগনি হায়না স্পেস এক্সকী সি ই ও ইলোন মস্কনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পেস এক্সনা ষ্টারশিপকী অহানবা ফ্লাইট অদুগী ঙক্লিংঙাই ওইরবা ভিদিও অমসু রিলিজ তৌখি। হৌখিবা এপ্রিল ২০ দা স্পেস এক্সকী মপুং ফানা ইন্টিগ্রেদ তৌরবা ষ্টারশিপ অমসুং সুপর হেভি রোকেটকী অহানবা টেষ্ট ফ্লাইট পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লা থাগৎখিবনি।

ষ্টারশিপ অসি মীওইববু থা, মার্চ অমসুং মসিদগী হেন্না থাপ্পা আউটর স্পেসকী মফমদা পুবা য়ানবগী পান্দমগা লোয়ননা শাখিবনি। অদুম ওইনমক মদু মরক্তা পোকখায়রকখিবগা লোয়ননা ওর্বিট য়ৌবা ঙমখিদে।

মস্কনা খ্বাইদগী নৌবা ত্বিট অমদা হায়রিবদি মরু ওইবা লোঞ্চপেদ অপগ্রেদশিং থা অমরোমগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা অতোপ্পা থা অমা চঙনা পেটদা



রোকেট টেষ্টিং পাঙথোকপগা লোয়ননা ষ্টারশিপকী ফ্লাইট টু অদু পাঙথোক্কনি। মীওইবদা অমদি শা, ঙা অমদি উচেক ৱায়া কয়াগী হেবিটেটশিংদা শোকহনগদবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা দেব্রি শন্দারকখিবগা মরী লৈননা রোকেট লোঞ্চ অদু য়ুএস ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ) না মীৎয়েং চঙলকখিবনি।

অসুম্না এফ এ এনা মীৎয়েং চঙলকপা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টারশিপকী মথংগী লোঞ্চ অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা রোকেট অদুনা পব্লিক সেফতিদা শোকহল্লোই হায়বগী অয়াবা রেগ্যুলেটর অসিদগী লৌবা মথৌ তাগদৌরিবনি।

য়াম্না মরু ওইবা হেবিটেটশিংদা শোকহনবগা লোয়ননা হান্নদগী কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্লবা শা, ঙা অমদি উচেক ৱায়া কয়াদা খুদোংথীবা মায়োক্ল হনবগা লোয়ননা কম্যুনিটি ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহনবা য়াবা স্পেস এক্সকী ষ্টারশিপ রোকেট লোঞ্চ অদুগী খুদোংথীবশিং য়েংশিনবা ঙমদবগীদমক্তা ইনভাইরনমেন্টেল গ্রুপ কয়ানসু এফ এ এবু সূ তৌখি।

# অরানবা পাউ শন্দোকপগীদমক ইমরান খানবু চৈখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মে ২৯ (এজেন্সী):**
অরানবা পাউ শন্দোকপগীদমক পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চিয়ারমেন ইমরান খানবু সোসল মেদিয়া য়ুজরশিংনা চৈ থাংখ্রে।

মহাক্না মমাঙঙৈগী ট্রক অমা মৈ চাকপগী ভিদিও অমা মদুবু মহাক্কী পার্টিগী মেম্বর অমগীনি হায়না উহন্নবগীদমক্তা স্যের তৌখিবা মতুংদা সোসল মেদিয়া য়ুজরশিংনা মহাকপু চৈ থাংনরকখিবনি।

দ ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রিবদি ত্বিটরগী খুথাংদা খান অমসুং পার্টিগী হেন্দলনা ট্রকশিং মৈ চাকপগী ভিদিওশিং থাগৎখি অমসুং গাড়ীশিং অদু পি টি আই থাদোক্লবা কন্না প্রেসর পীরিবা মালিক সজাদ অৱানগীনি হায়না ক্লেম তৌখি।

মহাক্কী ট্রকশিং অদু মহাক্না পার্টি থাদোকউ হায়বা য়াদবদগী মৈ থারিবনি হায়নসু পার্টিগী ত্বিটর হেন্দল অদুনা ক্লেম তৌখি। ভিদিও অদুদা য়াওরিবা ট্রকশিং অদু নাউসেরাগী ওইল দিপো মৈ চাকখিবগী থৌদোক অমগীনি হায়রদুনা সোসল মেদিয়া য়ুজরশিংনা খান অমসুং মহাক্কী পার্টিবু মীয়ামদা লান্না থাজহনগদবা অরানবা ইনফোর্মেসন শন্দোকই হায়না চৈখি।

সোসল মেদিয়া য়ুজরশিংনা থৌওং অদুবু চৈ থাংনরকপদগী মমৈথংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী পার্টিনা ত্বিটশিং অদু লৌথোকপা তাখি। হৌজিক্তি দিলিট তৌরবা ত্বিটশিং অদুদা খাননা ঐখোয়গী সিন্দ (করাচি) গী এম পি এ মালিক সাজদ অৱানদা পি টি আই থাদোক্লবা প্রেসর কন্না পীরে হায়না ইখি।

মখা তানা মহাক্না কন্না প্রেসর পীরবসু অৱাননা য়াদবদগী গাড়ীশিং অদু মৈ থারগা মাঙহল্লিবনি হায়না ইখি। ত্বিট অদুদা হান্নগী পিএম অসিনা মখা তানা হায়রিবদি পি টি আইগী টিকেট পায়রিবশিং অমদি এস্পিরেন্ট খুদিংমক্না ঙসিদি অসিগুম্বা ফেসিজমগী থৌওং অসি মায়োক্লরি। ঐখোয়গী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ইফোঙ ফোঙনা ভাইওলেট তৌবগা লোয়ননা ঐখোয়গী জুদিসরিনসু পান্থে অমত্তা লৈতবগুম্না মসিবু য়েংদুনা লৈরি। পি টি আইনসু মসিগী ত্বিটতা সিন্দগী ঐখোয়গী এম পি এ মালিক সাজদ অৱানগী ট্রকশিং মৈ থারে হায়খি।

# ইজরেলনা মিলিটরি সাইটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌখ্রে

**দমাস্কস, মে ২৯ (এজেন্সী):**
হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদা ইজরেল্লি ৱার জেটশিংনা সিরিয়ন কেপিটেল দমাস্কসতা লৈবা মিলিটরি সাইটশিংদা এটেক তৌদুনা অমাঙ অতা খরা থোকহনখ্রে হায়না সিরিয়ন মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রিবদি ইজরেল্লি ষ্ট্রাইক অদু ইজরেলনা পায়শিনদুনা লৈরিবা গোলান হাইটসতগী চথরকখিবনি। ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা সিরিয়ন এয়র দিফেন্সকী থবক কনশিনখি।

চৈরকসিদা সিরিয়ন ওবজর্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস ৱার মোনিটরনা দমাস্কসকী চিদাইদা লৈবা মিলিটরি সাইটশিংদা ইজরেলনা মিসাইল এটেকশিং চথরকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মিসাইলশিংদুগী মনুংদা খরদি ইন্টরসেপ্ট তৌখি হায়নসু ওবজার্বেটরি অসিনা ফোঙদোকখি। ৱাটচদোক অসিগী মতুং ইন্না ইজরেল্লি এটেক অদু এয়র দিফেন্স বেজ অমসুং মিলিটরি সাইটশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবনি।

# বোলা টিনুগু নাইজেরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

**লাগোস, মে ২৯ (এজেন্সী):**
থা কয়া চুপ্পা মীখলগী অকনবা কেম্পেইন চথরকখ্রবা মতুংদা হৌজিক নাইজেরিয়াদা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমসুং আর্মদ ফোর্সেসকী কম্মান্দর-ইন চীফ লৈরগনি। মথংগী চহী মরি অসিদা মহাক্না লৈবাক অসিগী হিমায় চুম্লগনি। হান্না লাগোস ষ্টেটকী গভর্ণর ওইরম্বা মশাগী চহী ৭১ শুরবা গোলা অহমদ টিনুগু নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেপিটেল সিটি অবুজাদা লৈবা ইগ্গল স্কৱারদা নাইজেরিয়াগী ১৬ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখি।



নাইজেরিয়াগী চীফ জষ্টিস ওলু কাইয়োট অরিৱুলানা টিনুগু অমসুং মহাক্কী দিপ্যুটি কাসিম সেটিমাবু মথং শিংনা অয়ুক পুং ১০.৩৮ তাবদা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগী মাঙওইননা আর্মদ ফোর্সেসকী মেম্বরশিংনা নীংথিরবা পেরেদ অমা উৎখি। মদু মোহামাদু গুহারি অমসুং গুক লক জোনাথন য়াওনা টিনুগুগী মমাঙদা প্রসিদেন্ট ওইরম্বশিংনসু য়েংখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা টিনুগুগী লোইনবী রেনি, সিটিমাগী লোইনবী নানা অমদি গোহারিগী লোইনবী আইসাসু শরুক য়াখি। পুৱারীদা রেকোর্দ ওইরগদবা ইভেন্ট অদুবু য়েংলিবা লৈবাক অসিগী গ্রিন হ্বাইট-গ্রিননা লৈতেংলিবা ভেন্যু অদুদা তিল্লিবা অফ্রিকন লিদরশিংগী মনুংদা গাবোনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর গিরিবাই-জে, রিপব্লিক ওফ কোটেদি আইবরগী প্রসিদেন্ট অলাসেন ক্বাটারা, ঘানাগী প্রসিদেন্ট নানা অফুকো-অদো অমসুং রুৱান্দাগী প্রসিদেন্ট পোল কাকামি য়াওখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা অকিন ৱিমে অদেসিনা, অলিপো দাঙ্গোতে, ফেমি ওটেদোলা, অব্দুল সামট রাবিও অমসুং জিম ওবিয়া য়াওনা দিগ্নিটরি কয়াসু তিনখি।

থবকফঙদবগী চাং হেনগৎলকপা, ইনফ্লেসন ৱাংখৎলকপা, ইন সেক্যুরিটি হেনগৎলকপা য়াওনা নাইজেরিয়ানা মখল মখা কয়াগী শীংনবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈবগা লোয়ননা মিলিয়ন ২০০ হেনবা নাইজেরিয়নশিংনা প্রসিদেন্ট টিনুগুনা লৈবাক অসিগীদমক্তা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহনগদবা থবক কয়া পায়খৎলক্কনি হায়না থাজরি।





# বিরমিংহামনা অহানবা ওইনা বৃটিস ইন্দিয়ন অমা লোর্দ মেয়র খনখ্রে

**লন্দন, মে ২৯ (এজেন্সী):**
কাউন্সিল্লর চামন লালনা বিরমিংহামগী লোর্দ মেয়র ওইনা ৱাশক লৌবা অহানবা বৃটিস-ইন্দিয়ন সিখ ওইরে।

পঞ্জাবকী হোসিয়াপুর দিষ্ট্রিক্টকী পাখুৱাল ভিলেজতা পোকখিবা লাল কুমজা ১৯৬৪ দা মহাক্কী মমাগা লোয়ননা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা ইটালিয়ন কেম্পেইনদা সর্ভ তৌখিবা বৃটিস-ইন্দিয়ন আর্মি ওফিসর অমা ওইরিবা মহাক্কী অপোকপা সর্দার হার্নম সিংহগা পুন্না লৈমিন্ননবা লাকখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা লালনা লেবর পার্টিদা য়াওশিনখি। মহাক্না অমগা অমগা মান্নদবা মীৎয়েংনা য়েংবগী ফিভম অমদি মখল খুদিংমক্কী দিস্ক্রিমিনেসন খুদিংমক শিংনদুনা সোসল জষ্টিস কেম্পেইন কয়াদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৯৪ দা অহানবা ওইনা সোহো অমসুং জ্বেল্লেরি ক্বার্টর ৱার্দতা ইলেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না হৌখিবা চহী ৩০ অসি সিটি কাউন্সিলদা থবক তৌখি। ঐহাকপু ইকায় খুম্নবীরক্লিবা অসিবু য়াজদুনা লোর্দ মেয়র ওইনা শীংথানিংঙাই ওইরবা সিটি অসিবু থৌগল তৌবগী খুদোংচাবা পীবিরকপা অসিদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজবা অমদি চাওথোকচবা পোকচৈ।

অহানবা ওইনা চহী ৩০ রোমগী মমাঙদা ঐহাকপু সিটি কাউন্সিলদা ইলেক্ট তৌখিবা মতমদা ঐহাক্না নোংমদি লোর্দ মেয়র ওইরক্কনি হায়বগী ৱাখল তৌখিবা লৈতে হায়না লালনা হৌখিবা চয়োলদা বিরমিংহাম সিটি কাউন্সিল হাউসতা পাঙথোকখিবা মেয়র মেক্কিং সেরেমোনিদা ফোঙদোকখি।

বিরমিংহামগী অহানবা সিটিজনগী রোল পায়ননবা মহাকপু এপোইন্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লালনা সষ্টেনেবিলিটি এন্দ ট্রান্সপোর্ট ওভর ভিয়ু এন্দ স্ক্রুটিনি কম্মিটি (ও এস সি) গী চিয়র য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং পায়বগা লোয়ননা কো-কোওর্দিনেটিং ও এস সি অমসুং য়ুএস মিদলেন্দস কম্বাইন্দ ওথোরিটি ট্রান্সপোর্ট স্ক্রুটিনিগী মেম্বরসু ওইখি।

# য়ুএন রিফ্যুজি চীফনা রিলিফকী থবকশিং য়েংশিনখ্রে

**কাইরো, মে ২৯ (এজেন্সী):**
য়ুএন হাই কম্মিস্নর ফোর রিফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সি আর) ফিলিপো গ্রান্দিনা ইজিপ্ট অমসুং সুদানগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর ক্রোসিংদা চৎতুনা সুদানগী কনফ্লিক্টতগী লাঞ্জেল্লকখিবা মীওই লিশিং কয়াদা তেঙবাংগী পোৎলমশিং পীবগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা চৎখিবা মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা গ্রান্দিনা ইজিপসিয়ন গভর্ণমেন্টবু খার্তুমগী কিনিংঙাই ওইরবা ভাইওলেন্স অদুদগী লাঞ্জেল্লকখিবা সুদানিষ্ট অমসুং অতৈ মীওই লিশিং কয়াবু শৈদাংফম পীবিবগীদমক থাগৎখি।

হৌখিবা এপ্রিল ১৫ দগী সুদানিষ্ট আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি রেপিদ ফোর্সেসকী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীচম ৮৬৬ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩,৭২১ না অশোক অপন নঙলে হায়বসি নোংমাইজিং নুমিত্তা সুদানিষ্ট ডাক্তর্স সিন্দিকেটনা থাদোরকখিবা দেটানা উৎলি।

# সিঙ্গাপোরদগী ইন্দিয়ন-ওরিজিন এভরেষ্ট চীংকারোই ছর্স টিমশিংনা থীবা ফঙদ্রে

**সিঙ্গাপোর, মে ২৯ (এজেন্সী):**
ছর্স অমসুং রেস্ক্যু টিমশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনসু মে ১৯ দা মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল য়ৌখিবা সিঙ্গাপোরদগী ইন্দিয়ন-ওরিজিন চীংকারোই অমা হৌজিক ফাওবদসু থীবা ফঙদ্রে হায়না চীংকারোই অসিগী লোইনবীনা ইন্সট্রাগ্রাম পোষ্টকী খুথাংদা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা শ্রীনিবাস সাইনিস দাটাট্রিয়া কৌবা ইন্দিয়ন ওরিজিন চীংকারোই অদু এপ্রিল ১ দা মাউন্ট এভরেষ্টকীদমক চৎখি। মহাক জুন ৪ দা ময়ুমদা হল্লক্কদবনি।

মহাক্না মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল মাউন্ট এভরেষ্ট মে ১৯ দা মতোল লোমখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মহাক্কী লোইনবীদা মহাক অৱাংবা-অল্টিট্যুটকী সেলেব্রেল ইদেমাগী কন্দিসনগা লোয়ননা কুমথরক্লে অমদি মহাক পাঙ্গল থোক্না কুমথরকপা ঙমগদবা মান্দে হায়না ফোঙদোক্লমখি।

মহাক্কী লোইনবী সুস্মা সোমানা হায়রিবদি মহাক চহী ৩৯ শুরে অমসুং মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা অমসুং নুংঙাইবা তাঙ্কক অমদা লৈরিবনি। মঙোন্দা অকিবা লৈতবগা লোয়ননা পুন্সিদা থমখিবা পান্দম মপুং ফানা ফঙনবা অৱেবা মতিং ফুদোক্তুনা থবক তৌখি। মহাক্না সমুদ্রগী অরুবা মফমশিং থিজিনবগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মফমশিংসু ফাখি।

শ্রীনিবাসকী এক্সপিদিসন অদুবু কো-ওর্গনাইজ তৌখিবা কম্পেনিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেপাল গাইদ ট্রেক্স এন্দ এক্সপিদিসন্না ষ্ট্রেট টাইমসতা অমমম্না সর্পা অহুম য়াওবা গ্রুপশিংনা শ্রীনিবাসপু থিরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

চীংকারোই অসি অমুক্কী এক্সপিদিসনদা মাউন্ট এভরেষ্ট মতোল লোম্না কারবা মতুং মাউন্ট লাহোটসে অমুক কানবগী পান্দমগা লোয়ননা সিঙ্গাপুর থাদোকখিবনি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 341/SDC/IW(H) of 2023**

1. Kh. Ranjan
2. (i) Kh. Ibochouba Singh
   (ii) Kh. Rakesh Singh
   (iii) Kh. Shyam Singh
   (iv) Kh. Tombi Singh
3. Malemnganba Kh.
4. L. Mala Devi (0.05)

-Vs-

Kh. Nipamacha Singh S/o (L) Chaoba Singh of Meitram.

**/ NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 29th May, 2023

Under Section 46(3) of MLR Act 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 03-Meitram পাট্টা নং ... (অরিবা) 56 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 428 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.86999 একর চাওবা ইংখোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ৫/৬/২০২৩ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/6586/30


# রসিয়ানা য়ুএস সিনেটর গ্রাহম ৱান্টেদ লিষ্টতা য়াওহনখ্রে

**মোস্কো, মে ২৯ (এজেন্সী):**
রসিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা য়ুএস সিনেটর লিনসে গ্রাহম ৱান্টেদ লিষ্ট অমদা হাপচিনখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিগী দেটা বেজ পল্লদুনা রসিয়ন মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

গ্রাহমগা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা ইরাই নুমিত্তা উন্নখিবগী ইদিট তৌরবা ভিদিও অমা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্টগী ওফিসনা থাদোরকখিবগা লোয়ননা মদুদা গ্রাহম্না রসিয়নশিং লানদা লেপ্তুনা শিরক্লি হায়খি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাক্না য়ুএসনা কনফ্লিক্ট অসিগা মরী লৈননা পীরিবা সপোর্ট অদু খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।



রসিয়ানা গ্রাহমগী ৱারোল অদুবু চৈ থাংখ্রবা মতুংদা য়ুক্রেননা মীটিং অদুগী মপুং ফাবা ভিদিও অমা রিলিজ তৌখি অমদি মদুনা ৱারোল অনী অদু মরী লৈনদে হায়বসি উৎখি।

রসিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিব কম্মিটিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা গ্রাহমগী কম্মেন্টশিং অদুগী মতাংদা ক্রিমিনেল প্রোব অমা চথরগনি। তৌইগুম্বসুং ৱারোলশিং অদু ফোঙদোকখিবগা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা করম্বা ক্রাইম পল্লকপা য়াই হায়বগী মতাংদদি কম্মিটি অসিনা ইঙ্গিৎ অমত্তা পীখিদে।

গ্রাহম্না য়ুক্রেনবু মহাক্না শৌগৎপদা রসিয়ানা চৈ থাংলকখিবা অদুবু য়ানিংদবা অদুবু মহাক্না শুপ্নগী রসিয়াগী লানগী কেম্পেইন অদুবু থিংবদা য়ুক্রেনিয়নশিংনা উৎখিবা থৌনা লিংজেল থাগৎখিবদনি হায়খি।